# মনালৈবাক স্পোর্টস

SUNDAY, MARCH 23, 2014, PAGE 7




ধাকাগী শের–ই বঙ্গলা নেসনেল ক্রিকটে স্টেদিয়মদা চথরিবা ইন্দিয়াগী প্রাকটিস সেসনদা বিরাট কোহলি

সনিয়া মিরজা অমদি কারা ব্লেককি জুরানা চিং চান অমদি য়ুং জান চানবু মায়থীবা পীরগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, মিরজানা মেটচ মনুংদা পার্ফোমেন্স পীবা



# এসএসয়ুনা নেরোকাবু মায়থীবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

## নেরোকাগী মশক নাইরবা শান্নরোইনা রেফরি ফুবদগী হোস্পিটালদা পুখৎলুরে

FOOTBALL

*ইম্ফাল, মার্চ ২২ঃ*

সাউদর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এস এস য়ু) শিংজমৈনা নেরোকা সঙাকফমবু গোল ৬–০ দা চাউনা মায়থীবা পীরগা অহানবা ডা এল ভৈগ্যাচন্দ্র মেমোরিএল ইনভিটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী গ্রুপ বিগী রন্নর ওইরগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে। নেরোকাগী শান্নরোই মণিতোম্বীনা সেন্তর রেফরি ফুবদগী হোস্পিটালদা পুখৎলুরে।

গ্রুপ অসিদা পুন্না লৈমিন্নরিবা ট্রাউ ক্লাকেথেলদি মেটচ অনী শান্নখিবদা অনীমক মায় পাকপদগী পোইন্ট ৬ ফংলগা ৱিন্নর ওইদুনা হান্ননা সেমি ফাইনেল চঙখ্রবনি।

ঙসিগী থৌদোক অদু অহানবা হাল্ফকি ৩০ শুবা মিনিটতা নেরোকাগী মশক মমিং লৈরবা শান্নরোই এল মণিতোম্বীনা সেন্তর রেফরি ওইখিবা কেটাগোরি টুগী রেফরি এল গোকুলানন্দ শর্ম্মাগী দিসিজনবু পেন্দে হায়বগী ৱাখল্লোন্দা রেফরিদা মখূৎ অনীনা থবাক্তা য়াম্না মতৌ মান্দনা থিনখিবদগী রেফরি অদু ফিল্ড মনুংদা জ্ঞান মাঙদুনা তাখিবদগী শিল্লি লাঙলিবশিং অমদি ওফিসিএলশিংনা চেনশিন্দুনা মহাকপু কন্ননবা হোৎনখি।

মতম খরা জ্ঞান মাঙলুরবা মতুং ফিভম খরা ফগৎলকপদা শিল্লি লাঙলিবশিংগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংনা রিমসতা পুখৎখি। হৌজিকমক্কী ওইনদি করিসু খুদোংথিনিঙাই ওইদ্রে।

এল মণিতোম্বী ষ্টেট অসিগীতা নত্তনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিল্লুরবা ইন্টর্নেসনেলগী প্লেয়র অমসু ওইবনা মরম ওইবনা মীয়াম্না ঈজৎ শনমান তৌনরিবা শান্নরোই অমনি। শান্নরোই অসিগী মথক্তা করি এক্সন লৌরক্কদগে হায়বদি হৌজিকমক্কী ওইনা চপ চাবা খঙবা ঙমদ্রি।

থৌদোক থোকখিবা মতম অদুদা এস এস য়ুনা গোল ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং মিনিট ১০ রোম হেন্না শান্নবা লেপখি। মরিশুবা ওফিসিএল ওইখিবা টি ঐচ কিরনজিৎনা মেটচ অদু মখা তানবগীদমক সেন্তর রেফরি ওইনা কন্দক তৌরগা মেটচ অদু মখা তানা শান্নবা হৌখি।

থৌদোক অদুদা মপুং ওইনা চেন্নরিবা শান্নরোই মণিতোম্বীদা রেদ কার্দ পীদুনা মেটচ অদুদগী তাহ্নোকখি। অহানবা হাল্ফকি ১৬ শুবা মিনিটতা এস এস য়ুগী রিয়াজ খাননা নেরোকাগী মায়কৈদা গোল এটেম তৌখিবা বোল অমা গোলকিপ্পরনা ঙাকথোক্লবা হোৎনবদগী চোঙথোরকখিবা বোলগী খুদোংচাবা লৌদুনা এল গোগোচানা গোল ওন্থোকখি।

অনীশুবা গোলনা রিয়াজ খাননা ২০ শুবা মিনিটতা চনখি। ২৫ শুবা মিনিটতা এল গোগোচানা পেনালটি এরিয়া মনুংদা গোল এটেম তৌখিবা বোল অমা নেরোকাগী দিফেন্দর এল মণিতোম্বীনা ক্লিয়র তৌনবা হোৎনবদা মখুত্তা পানখিবদগী রেফরিনা এস এস য়ুগী ফেবরদা পেনালটি অমা পীখি।

ফংলিবা পেনালটি অদু সহিদুর রহমননা গোল ওন্থোক্তুনা এস এস য়ুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি। গোল অদু চনখ্রবা মতুংদা মণিতোম্বীনা রেফরিদা করিগীদমক পেনালটি পীরগা য়েলো কার্দ পীদ্রিবনা করিগীনো হায়দুনা রেফরিদা অকনবা কমপ্লেন তৌখি, মহাক মদুদগী শাওবগী মওং উৎপা উখি।

পেনালটি অসি কাউখ্রবা মতুং মতম ইকান কান্নদনা (৩০) শুবা মিনিটতা এস এস য়ুনা কাউন্টর এটেক অমা তৌখি। মদুদা এস এস য়ুগী ষ্ট্রাইকর সহিদুর রমহননা পুরকপা বোল অমা মণিতোম্বীনা ফাউল্ট তৌরুবগীদমক রেফরিনা এস এসয়ুগী ফেবরদা ফ্রি কিক অমা পীখি। মতম অদুদা মণিতোম্বীনা রেফরিদা খূৎ থাখিবনি।

শান্নরোই ১০ খক্তা ঙাইরবা নেরোকাগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা মেটচ অদু য়াম্না পুক্নিং তপথনা শান্নখি অদুবু এস এস য়ুনা মী অমা ৱাৎপগী খুদোংচাবা লৌদুনা অনীশুবা হাল্ফতসু অনৌবা গোল ৩ অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৬–০ দা মায় পাকখিবনি।

অনীশুবা হাল্ফকি এস এস য়ুগী গোল অহুমক অদু এল গোগোচানা ৬০, ৬৫ অমদি এদিসনেল টাইমগী অনীশুবা মিনিট (৭২) দা চনখিবনি।

হয়েং শান্নগনি হায়না তৌরম্বা গ্রুপ এগী এফ সি খংলাই অমদি ৱাই দি ওগী মেটচ অদু মথংগী নুমিৎ তাং ২৪ দা ওইনা শান্নরগনি।

মণিপুর অসি শান্না খোৎনবগী লমদা লৈবাক অসিগী পৱার হাউসনি হায়না মীয়াম্না শকখঙনরিবনি। মতম অমগী শান্নরোইশিংগী দিসিপ্লিনগা হৌজিক মতমগী শান্নরোইশিংগী দিসিপ্লিনগা য়েংনরুবদা অদুক্কী মতিক চাং ৱাংনা খেন্নবা লৈরক্লে। হৌজিক ওইরিবা দিসিপ্লিন অসি হোংদোকহৌদবা তারগদি মতম খরগী মতুংদদি মণিপুরগী স্পোর্টস অসি মরাই চাইথরকপা য়াবা ফীভমদা অমদা লাক্লে।



রেফরি গোকুলানন্দবু ওফিসিএলশিংনা হোস্পিটালদা পুন্ননবা পুথোরকপা



নেরোকাগী মণিতোম্বীনা সেন্তর রেফরি গোকুলানন্দদা মখূৎ অনীনা থবাক্তা থিনবদগী ফিল্ড ময়াইদা জ্ঞান মাঙদুনা তাখ্রবা মতুংদা নেরোকাগী শান্নরোইশিংগা রেফরিশিংগা উংখৎনখিবগী শক্তম



নেরোকা অমদি এস এস য়ুনা শান্নখিবা গ্রুপ এগী অরোইবা লীগ মেটচকি মতাং অমা

# রাজপ্রি, ইন্দিবর, হিরো হিটো অমদি এ এফ সি জেনো কোর্পোরেট ফুটবোল চেলেঞ্জদা মায় পাকখ্রে

FOOTBALL

*ইম্ফাল, মার্চ ২২ঃ*

রাজপ্রি, ইন্দিবর, হিরো হিটো অমদি এ এফ সি অনীশুবা জেনো কোর্পোরেট ফুটবোল চেলেঞ্জ ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল রাউন্দগী নোক আউট ষ্টেজতা মায় পাকখ্রে।

টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদমি তবুংখোককী গ্রাউন্দদা একাদমি অসিগা হোরোস ফাউন্দেসনগা পুন্না শীন্দুনা চথরিবা টুর্নামেন্টঅসিগী ঙসি অয়ুক্কী অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচতা রাজপ্রিনা এমসুবু গোল ৪–০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

রাজপ্রিগী গোলশিং অদু ইবোতোননা ৫, ৭ অমদি ৫৩ শুবা মিনিটতা অহুম অমসুং শ্যামসননা ১৭ শুবা মিনিটতা অমা চনখিবনি। রাজপ্রিগী গোল অহুম চনখিবা ইবোতোনদা রেফরিনা ৫৪ শুবা মিনিটতা য়েলো কার্দ অমা পীখিবগা লোয়ননা এমসুগী এম রোনাল অমদি কে ঐচ ধনচন্দ্রদসু ৩৪ অমসুং ৩৭ শুবা মিনিটতা য়েলো কার্দ অমমম পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ এলগী মেটচতনা ইন্দিবরনা আর কে ফোরচুনবু গোল ২–০দা মায়থীবা পীখি। ইন্দিবরগী মায় পাকপগী গোল অনীমক অদু বোনার্দনা ১৯ অমদি ২৪ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

ইন্দিবরগী রিসিকান্ত অমদি আর কে ফোরচুনগী এল য়াইমাদা রেফরিনা মথংশিংনা ৭ অমসুং ৫৫ শুবা মিনিটতা য়েলো কার্দ অমমম পীখি।

নুংথিলগী অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ জেগী মেটচতা হিরো হিটোনা রোন ইন্টরপ্রাইজেসপু গোল ২–০ দা মায়থীবা পীখি। হিরো হিটোগী গোল অনী অদু রতন অমদি মকনদেবনা ৪০ অমদি ৪৩ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ কেগী অতোপ্পা মেটচ অমদা এ এফ সিনা এল ৱাই এসপু গোল ১–০ দা মায়থীবা পীখি। এ এফ সিগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু মরিংমৈনা ১৩ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

এ এফ সিগী এম নাওবদা রেফরিনা ১১ শুবা মিনিটতা য়েলো কার্দ অমা পীখি।



রোন ইন্টর্পাইজেস অমদি হিরো হিটোনা শান্নখিবা মেটচকি মতাং অমা।

# অহানবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল

*ইম্ফাল, মার্চ ২২ঃ*

খোইরোম য়ুথ ৱেলফিয়র এসোসিয়েসন য়াইরিপোক্না শীন্দুনা ঙরাংদগী হৌদুনা এসোসিয়েসন অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকি লীগ মেটচশিংদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি দি ভি এ(এ) থৌবাল মায় পাকখ্রে।

অহানবা মেটচতা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচতা এম পি এস সি ইম্ফাল ৱেষ্টনা চুরাচন্দপুরবু সেট ৩–০ (২৫–১৯, ২৫–১৫, ২৫–২১) দা অমদি অনীশুবা শান্নখিবা গ্রুব বিগী মেটচতা দি ভি এ(এ) থৌবালনা টিম অসিমক্কী বি টিষ্বু সেট ৩–১ (৩১–৩৩, ২৫–১৪, ২৫–১৫, ২৫–২০) দা মায়থীবা পীখ্রে।

# খানাচাউবা ট্রোফি ক্রিকেট হৌরগনি

*ইম্ফাল, মার্চ ২২ঃ*

উচেক্কোন ক্রিকেট এসোসিয়েসন লাইকোননা শীন্দুনা এপ্রিল ৪ দগী অহুমশুবা খানা চাউবা ট্রোফি টেনিস বোল ওপন ক্রিকেট টুর্নামেন্ট এল এল সি গ্রাউন্দ উচেক্কোন থাখোক মপালদা হৌরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানীংবা টিম অমদি ওর্গনাইজেসনশিংনা এপ্রিল ৩ ফাওবগী মনুংদা এদমিসন তৌরবা য়াগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর অমদি রন্নরদা ট্রোফিগা লোয়ননা লুপা লীশিং ১৮ অমসুং লীশিং ১২গী মনা পীগনি। তোঙান তোঙানবা মনা কয়াসু লৈগনি হায়না এসোসিয়েসন অসিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

# ফুটবোল্লর ৫ য়াওরি

*ইম্ফাল, মার্চ ২২ঃ*

শ্রীলঙ্কগী কলম্বোদা চথরিবা এ এফ সি য়ু ১৪ গালর্স রিজনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৪ দা শরুক য়ানীংবা ইন্দিয়া টিমদা মণিপুরগী ফুটবোল্লর মঙা য়াওরি। ফুটবোলরশিং অসি থা অসিগী ২৭ তা ইম্ফালদা থুংলগনি।

# জিরিবামগী কাংলোই অমদি ফুটবোল টিম ওকখ্রে

*জিরিবাম পাউমীদগী*

*জিরিবাম, মার্চ ২২ঃ*

মণিপুর কাং এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্তা লৈবা কাং শঙদা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৬ তগী হৌদুনা পাঙথোকখিবা ইন্টর্নেসনেল কাং ফেষ্টিবেল কম সেমিনারদা শরুক য়াখিবা ওল জিরিবম স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী নুপীগী কাং শান্নরোই অমদি লক্ষিপুর কসারদা পাঙথোকখিবা অন্দর ১৪ বোইস এম বাবাসনা মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টতা চেম্পিয়ন ওইখিবা শান্নরোইশিং ওকপগী অচম্বা থৌরম অমা ঙসি ওল জিরিবম স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি জিরিবমগী নুপী কাং টিম্না ইন্টর্নেসনেল কাং অদুদা চেম্পিয়ন ওইখিবনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা জিরিবম গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী এক্স প্রিন্সিপল এস মণিতোন সিংহ (ষ্টেট এৱার্দি), ওল জিরিবম স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এম ৱজাকান্ত সিংহ অমদি ইন্টর্নেসনেল কাং ফেষ্টিবেলগী টিম মেনেজর ওইখিবা এম গোপাল সিংহনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওর্নরস ওইদুনা অচম্বা খুদোলপোৎশিং পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি।

এস মণিতোন সিংহনা হায়খিবদা ইন্টর্নেসনেল কাং টুর্নামেন্টতা জিরিবমগী নুপী টিম্না শরুক য়াদুনা চেম্পিয়ন ওইরকপদা হায়ফম খঙদনা হরাওবা পোকই। মতুংদসু অসিগুম্বা টুর্নামেন্ট অসি শরুক য়াদুনা হেন্না মতিক মগুণ লৈবা শান্নরোইশিং কয়া থোরক্কনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ৱজাকান্তনা ফোঙদোকখিবদা জিরিবমদা কাংগী মতিক চাবা শান্নফম লৈতবা অসি কোকহন্নবা অথুবদা থবক খরদি পায়খৎলগনি অমদি মসিদা অতে অতোপ্পা কম্যুনিটিশিং য়াওহন্দুনা হেন্না ফৱা মতিক মগুণ লৈবা মশান্না অমা ওইনবা হোৎনসি হায়খি।

নুপীগী টিম চেম্পিয়ন ওইরকখ্রবা ওল জিরিবম স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী টিমগী শান্নরোই ও শ্যামোলা দেবী, এম মেনাকা দেবী অমদি সি ঐচ কনচনবালা দেবীনা বেষ্ট লমথা, বেষ্ট চেকফে অমসুং লেদি ওফ দি ফাইনেল মেটচকি মনাসু ফংলকখি।

# এল ৱাই এস এস য়ু জুনিয়র বোইজ সোক্কর টুর্নামেন্ট

*ইম্ফাল, মার্চ ২২ঃ*

লিলোং য়ং সোসিএল সার্ভিস য়ুনিয়ন (এল ৱাই এস এস য়ু) লিলোং বজারনা শীন্দুনা লিলোং কোনুং লম্পাক্তা চথরিবা অনীশুবা এল ৱাই এস এস য়ু জুনিয়র বোইস ইনভিটেসন সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকি লীগ মেটচশিংদা এল ৱাই দি য়ু (এ) লিলোং, এল সি দি সি মমাঙ লৈকাই, এন এফ সি নরানকোঞ্জিন অমদি এল ৱাই দি য়ু (এ) লিলোং মায় পাকখ্রে।

ঙসি অয়ুক্কী অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ বি গী মেটচতা এল ৱাই দি য়ু (বি) লিলোংনা এ ৱাই সি অরাপটিবু গোল ৪–১ দা মায়থীবা পীখি। এল ৱাই দি য়ুগী মায় পাকপগী গোল মরিমক অদু এ অবুংনা চনখিবনি। এ ৱাই সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা কে ঐচ কুমারনা চনখিবনি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ সিগী মেটচতা এল সি দি সি মমাঙ লৈকাইনা এ ৱাই এল সি (এ) অরাপটিবু গোল ২–১ দা মায়থীবা পীখি। এল সি দি সিগী গোল ২ অদু ভারত অমদি নাওবনা চনখিবনি। এ ৱাই এল সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এন তোলমুনা চনখিবনি। নুংথিলগী অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ দিগী মেটচতা এন এফ সি নরানকোঞ্জিননা এ ৱাই এল সি (বি) অরাপটিবু গোল ৫–৩ দা মায়থীবা পীখি। এন এফ সিগী গোল ৫ মক অদু জুগেসনা চনখিবনি। এ ৱাই এল সিগী গোল অহুম অদুনা এম অনিলকুমারনা চনখিবনি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচতা এল ৱাই দি য়ু (এ) লিলোংনা এম আর সি মাইরেনখোঙবু গোল ৩ অহুমদা মায়থীবা পীখি। এল ৱাই দি য়ুগী গোলশিং অদু নেতরজিৎনা ২, বিমোলজিৎ অমদি বেক্করনা অমমম চনখিবনি। এম আর সিগী গোলশিং অদুনা রাকেস, দিঙ্কু অমদি উমানা অমমম চনখিবনি।

# ৱাঙ্গোইদা কারাটে–দো চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি

*ইম্ফাল, মার্চ ২২ঃ*

ওল সিটো রিয়ু ষ্টাইলস কারাটে– দো এসোসিয়েসন মণিপুর (এ এস এস কে এ এম) মীৎয়েং মখাদা নিহোন সিটো রিয়ু কারাটে– দো সোবুকাই এসোসিয়েসন মণিপুরনা শীন্দুনা শীন্দুনা এপ্রিল ১০ দগী ১২ ফাওবা ৱাঙ্গোইদা এ এস এস কে এ এম ষ্টেট লেভেল কারাটে দো চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসি তোঙান তোঙানবা কেটাগোরিশিংগী কলর বেল অমদি ব্লেক বেল্টশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। পাঙথোক্কদবা কেটাগোরিশিং অদুদি কেদেট, জুনিয়র অমদি সেনিয়রনি। চেম্পিয়ন্সিপ অসি দব্লিউ কে এফকি অনৌবা নিয়মগী মতুং ইন্না পাঙথোক্কদবনি।

টিমগী কাটা, ইন্দিভ্যুজিএল কাটা অমদি ইন্দিভ্যুজিএল কুমিটিদা ব্লেক বেল্ট অমদি কলর বেল্টকি ওইনা নুপা অমদি নুপীগীদা অথোই অহেন তান্নগনি। অকুপ্পা মরোল সেনশৈ সিটোরিও স্কুলশিংনা সেনশৈ টি ঐচ ইবোচৌবা সিংহ চীফ ইন্সট্রক্টর নিহোন সিটোরিয়ু কারাটে দো সোবুকাই এসোসিয়েসন মণিপুরতগী অকুপ্পা মরোল খঙলবা য়াগনি।

# আর্মি বোইজগী ফুটবোল্লর লৌগদৌরি

*ইম্ফাল, মার্চ ২২ঃ*

থাংমৈবন্দ এথলেটিক্স য়ুনিয়ন (থাও) না থোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না জবলপুর আর্মি বোইজতা চহী ১৪ গী মনুংদা লৈবা ফুটবোল শান্নরোই লৌন্নবগীদমক ট্রাইয়েল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ২৪ নিংথৌকাবা নুমিৎকি নুংথিল পুং অমা তাবা মতমদা থাও গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা হৌরগনি। ট্রাইয়েল সেলেক্সন অসি নুমিৎ হুমনি চুপ্পা পাঙথোক্কদবনি।

# খনগৎলবা টিম ১৪ না শরুক য়াদুনা ঙসিদগী মরিশুবা ৫৭ মাউন্টেন দিভিজন পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৪ হৌরগনি




*ইম্ফাল, মার্চ ২২ঃ*

মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা হয়েংদগী ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা মণিপুরগী খনগৎলবা পোলো টিম ১৪ না শরুক য়াদুনা মরিশুবা ৫৭ মাউন্টেন দিভিজন পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৪ হৌরগনি।

হৌদোকপগী থৌরম নুংথিলগী পুং ২ তাবা মতমদা ৫৭ মাউন্টেন দিভিজনগী জিওসি মেজর জেনরেল পি এম বালি (ভি এস এম), মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরি এস বুদ্ধচন্দ্র সিংহ, ৫৭ মাউন্টেন দিভিজনগী দিপ্যুটি জি ও সি ব্রিগেদিয়র অনিল হুদা অমদি মণিপুর ইক্বেটেরিয়ন এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ডা এস জয়কুমার সিংহনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওর্নরশিং ওইরগা হৌদোক্কনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর অমদি রন্নরস অপ টিমদা শেলগী মনা লুপা লীশিং ৩০ অমসুং লীশিং ২০ পীগনি। শরুক য়ারিবা টিম খুদিংমক্তসু কন্সোলেসন প্রাইজ ওইনা লুপা লীশিং ২ / ২ গী মনাসু পীগনি।

অহৌবা মেটচতা নম্বুল মপাল পোলো টিম এগা মৈরাবা পোলো টিম এগা শান্নগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফিক্সচরসু ঙসি ফোঙখ্রে।